**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-05-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২০-০৫-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসিদগী উখ্রুল জিলাদা হৌদোক্লগনি।

২) মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চঙ্খবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওইশিং অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) নেদরলেন্দসনা পহলগাম তেরর এত্তেক্ট অমসুং টেরোরিজমগী মায়োক্তা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপবু মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস জয়সঙ্করনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

**------**

**গভর্ণর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসিদগী উখ্রুল জিলাগী সিরুই ভিলেজতা লৈবা হেরিতেজ গ্রাউন্দদা হৌদোক্লগনি। নুমিৎ ৫ নি চঙ্খগদবা মঙাশুবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক সেক্যুরিতিগী

অকনবা চেকশিল থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমা-সোথিং সিমরেনা হায়-ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাওথোকপা য়ানবা শেম শাবগী থবক লোয়শিল্লে। হন্দক চহিগী ফেষ্টিবেল অসিগা য়ামা চান্ননা মালেমগী অতৈ মফমদা ফংদবা শিরুই লিলি নীংথিনা শাৎপা উরে।

ফেষ্টিভেল অসিগীদমক রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা ঙরাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা থুংখ্রে। রাজ্যপাল হেক থুংবগা থৌরম পাওথোকফম বক্সি গ্রাউন্দদা লৈবা সিরোক ভেন্যুদা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখি। তুংদা, রাজ্যপালনা লোংপিদা চৎতুনা খুঞ্জাশিংগা ৱারী শান্নখি অমদি খুঙ্গং অদুদা পুথোকপা লোংপি চফুশিং য়েংখি। মহাকা হায়-লোংপী চফুশিং অসি মহৌশাদগী লৈরক্লবা মওংদা নিংথিনা শেম শারবা চফু মখলশিংনি। খুল অসি ইম্ফালদগী য়ামা লাপ্পা মফমদা লৈবনা খুল অসি ফাওবা শমহল্লিবা লম্বী থোং নিংথিনা শেম শাবগী তঙাইফদবা লৈরি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--গভর্ণর**

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক মখা তানা চথরি। মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ফয়েং শাবল লৈকাইদগী শঞ্জেনবম ফাওবগী মনুংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মেগজিনগা কোন্ননা এস.এল.আর রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পিষ্টোল অহুম, থর্তি সিক্স ঐচ.ঈ গ্রেনেদ, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী নোংমৈ মরু নিপান য়াওনা নোংমৈ মরু কয়া, দব্লিয়ু পি স্মোক গ্রেনেদ অমা তিয়র স্মোক সেল মঙা, কেনৱুদ সেট অমা, বি.পি.ভেষ্ট মরি, বি.পি ফাইবর প্লেট তরেৎ, কেমোফ্লেজ সুইট মরি অমসুং হেলমেট অনি ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ৱাহেং খুমন মনিং লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি পি.দব্লিয়ু.জিগী নুপী কাদর অমা ফারে। মহাক রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৈবা ওইল পম্পশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী সিম কার্দ অনিগা লোয়ননা মোবাইল হেন্দ সেট অমা অমসুং অধার কার্দ ফংলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ থিংঙোম লৈকাইদা লৈবা ভারাগী য়ুম অমদগী মণিপুর পুলিসনা ঙরাং কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই অমা ফারে। মখোয় দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, জিলা অসিগী শিংজমৈ পুলিস স্তেসনননা কোনবা মৈতৈ লমখাই চজিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী শেলগী দিমান্দগা মরি লৈননা মীওই মরি ফাগৎলে। মখোয়না দেল্লি অমসুং জয়পুরদগী মীওই অনি নেটৱার্কিং বিজিনেজ অমগী ট্রেনিং পীগনি হায়না কৌরগা ইম্ফাল হেক য়ৌবগা মখোয়বু ফাজিন্দুনা শেল দিমান্দ তৌরকপনি হায়রি । ফারবা মীওইশিং অসিদগী মেগজিন অমা য়াওনা কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙাগা কোন্ননা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, লাইসেন্স গন অনি, পোকেট নাইফ অমা, মোবাইল হেন্দ সেট অনি অমসুং চাকা মরি পানবা গারি অমসু ফাগৎখি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা অখন্নবা দ্রাইভতা তোঙান তোঙানবা গারি ৪৪ দগী তিন্তেট ফিল্ম লৌথোকখি।

**মোগ দ্রিল(এল)ঃ** ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা চান্দেল জিলাগী মহা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা জিলা থাক্কী সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোক্লগনি। মসিদা, তোঙান তোঙানবা স্তেক হোল্ডর, পুলিস, সিভিল দিফেন্স, ফায়র দিপার্টমেন্ট, হেলথ

দিপার্টমেন্ট, এম.এস.পি.দি.সি.এল, এন.সি.সি অমসুং য়ুনাইতেদ কোলেজ লম্বুংগী এন.এস.এস য়ুনিট, রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ট চান্দেলগী টিমশিং শরুক য়াগনি। চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মোগ দ্রিল অসি পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মীয়ামা পাখৎপীগনু অমসুং মতেং পাংবীয়ু।

**থাংমৈবন্দ(এল) ঃ** থাংমৈবন্দ এসেমব্লি রোডকী ফুদ পাথ মথক্তা য়ুম কৈ থুগায়খিবগী য়াওনা অতৈ ফত্ত-হৌদি কয়া পৈশিল্লম্বা অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসননা লৌথোকখ্রে।

দিরেক্তোরেট ওফ মহুদনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা লম্বীশিংদা অপনবা থোক্তনবা অমোৎ অকায় হুন্দোকপগী থবক চথ্দনবা থা অসিগী মঙাদা কোরপোরেসন অসিনা নোটিশ অমা থোকখি। মীয়ামগী লম্বীদা অমোৎ অকায় হুন্দোক্তনবা অমদি পৈশিনদুনা থমদনবা কোরপোরেসন অসিদা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**জয়সঙ্করঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস জয়সঙ্করনা নেদরলেন্দসনা পহলগাম তেরর এত্তেক্ট অমসুং টেরোরিজম মায়োক্তা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। শ্রী জয়সঙ্করনা ঙরাং নেদরলেন্দসতা লৈবাক অদুগী মপাল থৌরম মন্ত্রি কেসপর ভেল্ডকেম্পগা উনখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী জয়সঙ্করনা হায়-লৈবাক অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরি থমবা লুচিংবা অনিনা লম কয়াদা ৱারি শান্নখি। শ্রী জয়সঙ্করনা নেদরলেন্দস, দেনমার্ক অমসুং জর্মনিগী খোঙচত্তা অহানবা ওইনা ঙরাং নেদরলেন্দসতা থুংখিবনি। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-শ্রী জয়সঙ্করগী খোঙচৎ মনুংদা মহাকা লৈবাক অহুমগী লুচিংবশিংগা উনদুনা লমদম লমদম অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**দুরানঃ** ১৩৪ শুবা দুরান কপ জ্লাই ১৮ দগী আগষ্ট ২৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি দুরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট সোসাইতিনা এ.আই.এফ.এফ-ইর্ষ্টন কম্মান্দ ওফ দি ইন্দিয়ান আর্মর্দ ফোর্সেস অমদি নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারগা খুৎশমরগা পাঙথোকপনি। মসিদা অসাম, মেঘালয় অমসুং ঝরখন্দ সরকারশিংনা মতেং পাংলি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ভেনুশিংদি-ইম্ফাল, কোক্রঝার, কোলকাটা, শিল্লোং অমসুং জমসেদপুরনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সিরুই ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌরগনি হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ঙসিদগী সিরুই ফেষ্টিভেল হৌনবা গভর্ণর উখ্রুলদা লৈদুনা য়েংশিল্লি হায়না বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ইল্লিগেল ইমাইগ্রেন্টশিং মশক খঙদোকবা ষ্টেটশিংদা মতম থাখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সিরুই ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল পাউচেশিং অসিদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

মোরেগী আই.আর.বি.পোষ্টতা চথখিবা এত্তেক্টতা চেন্নবা কুকি লালহৌবা অমা ফারে হায়বা পাউ অমদি ফার্ম মপুনা লাইসেন্স নোংমৈনা কাপ্পদা ফার্ম শেন্নবা অমা লৈখিদ্রে হায়বা পাউশিং পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা ত্রাইভেল ভিলেজতা মীৎয়েং থল্লি হায়বা পাউ অমদি মেসেজতা কিহন খঙহল্লকপগী কেসকা মরি লৈননা পুলিসনা থিজিন হুমজিনখিবগী পাউশিং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

২০২৪দা মোরে আই.আর.বি পোষ্টতা এত্তেক্ট চথখিবা থৌদোক্তা চেন্নবশিং এন.আই.এনা ফারে হায়বা পাউ-গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

তামৈ ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিনা জল জিবন মিসন মপুং ফাদে হায়বা ৱাফম তামেংলোং তাইমস পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সেনাপতি মেন মার্কেত্তা স্কাবুনা শিন্দুনা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অমা চথখ্রে হায়বা পাউ-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসগী মরুওইবা পাড ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**